ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

সী এস আই আর, নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎ, ইম্ফালগী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম বিরকুমারনা জেনিমসকী দিরেক্টরদা হেন্দ সেনিটাইজর খূৎশিন্নবা

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা খোংমন গ্রাম পঞ্চায়ট অমদি খোংমন ষ্টুদেন্টস ক্লবকা খূৎশম্নদুনা খোংমন জোন থ্রীদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগী থৌরম পাঙথোকখিবা

AWARENESS PROGRAMME
COVID-19
লামায় ৫

কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মফমশিংদা সোসল ৱার্কর সোরাইসম ওংবী কেবিনা চান থক্লবা পোৎলম তেংবাঙখিবা

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিদা নৌনা য়াওরকখ্রবা অরুন ইন্টরপ্রাইজেজগী থাংজম অরুনকুমারবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবদা হান্নগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙগা খূৎ শোক্লখিবা

PRAD I CONG SS
লামায় ১

Vol. 44, Issue No.157 | লৈবাকপোকপা, লাংবনগী ১৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, September 01, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

নুপী ২ শোক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা হৈরোক পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সলুংফম মমাঙ লৈকায়দা লম্বী থৎলম্বা মীয়াম পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কাপ্লুনা তানখায়বদা ঙসি নুপী অনী শোকপদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। থৌদোক অসি ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। পুলিসতগী ফংবা পাউ মতুংইন্না শোক্লবী নুপী অনী অদুদি সলুংফম মমাঙ লৈকায়দগী নিংথৌজম লুহিনি (৬০) মপুরোয়বা এন নিমাইচান্দ অমসুং লৈকায় অসিমক্তদগী অসেম অশংবী (৩৭) মপুরোয়বা এ সুনিলনি। পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কাপ্লকপদা মীয়াম কায়দুনা চেন্নরকপদগী নেৎশিন্নবদা মখোয় অনীমক তুশিন্দুনা শোকপনি হায়রি।

সেনিটাইজর খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস) : সী এস আই আর, নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎ ইম্ফালনা শাবা অলকোহোল-বেজ হর্বেল সেনিটাইজর য়ুনিট ৫৭ জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী দিরেক্টরদা খূৎশিন্নখ্রে। মণিপুরগী কোভিদ-১৯ ৱরিয়রশিংদা হেন্দ সেনিটাইজর য়েন্থোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম বিরকুমারনা জেনিমসতা হেন্দ সেনিটাইজর খূৎশিন্নখিবনি হায়রি।

সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা পি এম কিষান সমান নিধি স্কিমগী বেনিফিসিরিশিং খনবগা মরী লৈননা অরানবা থৌওং চথরম্বগী মতাংদা ওফিসল অহুম সস্পেন্দ তৌখ্রে।

দেপ্যুটি সেক্রেটরি (রেভিন্যু) না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না সস্পেন্দ তৌখ্রবা ওফিসল অদুদি এল এ/এস দি সী বিষ্ণুপুর রোবার্ট ওক্রম, দি সী ওফিস থৌবালগী এল এ/এস দি সী (ঐচ ক্য) গী সলাম বিমোলজিৎ অমসুং এল এ/এস দি সী লিলোং রহিনা সহানিনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরনা রিমসতা ত্রোমা সেন্টর শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস) : চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সকী খূৎথাংদা লেভেল-১ ত্রোমা ক্যের সেন্টর অমা রিজিনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি ষ্টেট অসিদা মীওই কয়া এক্সিদেন্ট থোকপদগী শিরিবসি চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা ত্রোমা সেন্টর অসি হাংদোকপনি। নৌনা হাংদোক্লবা ত্রোমা সেন্টরদা আই সী য়ু বেদ, ঐচ সী য়ু বেদ, ত্রোলি বেদ, ওপরেসন থিএটর, সী টি স্কেন মেছিন অমদি দাইয়লাইসিস য়ুনিটনচিংবা লৈগনি হায়রি।

ভিদিও কনফরেন্সকী খূৎথাংদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা শঙ্গাবগী থৌরমদা মহাক্লা হায়খি, অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবদা নিংথিনা খঙ-হৈরবা ডোক্টর অমদি হেল্থক্যের ৱর্কর কয়ামরুম ষ্টেট অসিদা লৈ। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা ডোক্টর, নর্স অমদি পেরামেদিকেল ষ্টাফশিংনা লৌরিবা থৌদাং লৈঙাক্লা চপ চানা খঙই। মীয়াম্বু পাকশন্না ৱাখল তাহনবগা লোয়ননা হেল্থক্যের ৱর্করশিংনা কত্থোকপা অমগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোক্লবদি লাইচৎ অসি শোয়দনা লাকশিনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা হায়খি মদুদি ত্রোমা ক্যের সেন্টরদা আই সী য়ুগী বেদ ৩০দা হেনগৎলে অমসুং ভেন্টিলেটর ২০ ইন্সটোল তৌরে। মোবাইল এক্সরে মেছিন লৈবা ওপরেসন থিএটর অনীসু লৈরে। অনৌবা ভেন্টিলেটর ৩০সু থৌরাং তৌদুনা লৈরে। রিমসতা অসিগুম্বা মখলগী ত্রোমা সেন্টর অমা হাংদোক্লবা হোৎনবদা মপূং ফানা মতেং পাংলকপগীদমক মহাক্লা চীফ মিনিষ্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মণিপুর ত্রাইভেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এম টি দি সী) না য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী শেন্থুং মখাদা লুপা ক্রোর ১১.৩৪ চঙনা ত্রোমা ক্যের সেন্টর অসি শাখিবনি। হৌজিক্তি সেন্টর অসি হাংদোক্লবনিনা ষ্টেট অসিদা লম্বীগী খুদোংথীবা থৌদোকশিং থোকপদা মী শিবগী চাং হন্থহনবা ঙম্লগনি। নেসনল হায়ৱেশিংদা লৈবা গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালশিংদা কেপাসিটি দিভলপমেন্ট ফোর দিভলপ্পিং ত্রোমা ক্যের ফেসিলিটি শানবা সেন্ত্রেল স্কিম অমগী মখাদা শাবা ত্রোমা সেন্টর শঙ্গাবগী থৌরম অদু রিমসকী লেকচর থিএটর কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি।

মণিপুর ত্রাইভেল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন বুংজাগিন বালটে, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) ভি ভুমলুনমাং, সেক্রেটরি টু চীফ মিনিষ্টর এন জিওফ্রি, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমার, দেপ্যুটি দিরেক্টর (এদমিনিষ্ট্রেসন), দেন্টেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল, দিপার্টমেন্ট কয়াগী মকোকশিং, নর্সিং সুপরিন্টেন্দেন্ট, নর্সিং ওফিসল অমদি অতৈ ষ্টাফ কয়াসু ত্রোমা সেন্টর শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

মরোল থোকপা লাই / ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ



হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জি লৈখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ৩১ (এজেন্সী) : ইন্দিয়াগী ১৩শুবা প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বা প্রনাব মুখর্জি মতম খরা আর্মি হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নরম্লবা মতুংদা ঙসি লৈখিদ্রে।

মহাক মশাগী চহী ৮৪শুখ্রে। ওগষ্ট ১০দা হকচাংগী ফীভম শোকচিল্লকপদগী আর্মি হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নরকখিবনি। হোস্পিটালদা পুখৎত্রিঙৈ মমাঙদা কোংগ্রেসকী ভেটরান লিদর অসিনা

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমগী মতুংইন্না মহাক মশামক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়রি।

লুচিংবা অসিনা লৈখিদবদা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দ, ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদু, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

নুপী অমদা হীদাক কাপশিন্নবা হোৎনরম্বদা চেন্নবা মীওই ১সু ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস) : ঙসিদগীনা চহী ৮ হেনবগী মমাঙ কুমজা ২০১২গী মে ২৯গী নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকায়দা লৈবী নুপী অমা ইমুংদা পিক্লিবী মচানুপীগা লৈরিঙৈদা মীওই অহুম্না গন পোইন্টতা মখূৎ পুনশিনবগা লোয়ননা মচিনসু মেনশিল্লগা করিনো খঙদবা হীদাক ১ সিরিঞ্জদা হাপচিল্লগা কাপ্পনবা হোৎনরম্বগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই অমসু পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

পুলিসনা থৌদোকসিগী মতাংদা হান্নানা চেন্নবনি হায়বা মীওই ২ ফাদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থম্লক্লিঙৈদা ফারবা অতোপ্পা অহুমশুবা মীওই অদু ঙরাং পুলিস দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটতা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখ্রে। মেজিষ্ট্রেটনসু প্রেয়র অসিগী মতুংইন্না মহাকপু ঙরাংদগী হৌরদুনা মথং থাগী ৪ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে।

চৈরকসিদা থৌদোকসিগী মতাংদা হান্নানা পুলিসনা ফাবদগী মখোয়গী কষ্টদিদা থম্লকখিবা মীওই অনীদুগী পুলিস কষ্টদিগী মতম লোইরদুনা ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ৱেষ্টকী মমাঙদা পুথোরকখ্রে। পুলিসনা কেস অসিগী মতাংদা চথরক্লিবা ইনভেষ্টিগেসনগী মনুং চন্না অতোপ্পা অহুমশুবা মীওই অমসু ফাগৎলক্লবনিনা মখা তাবা ইন্টরোগেসনগীদমক মখোয় অনীবু নুমিৎ ৫নিগী ফর্দর পুলিস কষ্টদি পীবিনবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

ঙসিদগী নৌনা চৎনগদবা কাঙলোনশিং ফোঙখ্রে, পেত্রোল পম্প পূম্নমক থোঙ হাংলগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস) : হয়েংদগী হৌরগা সেপ্টেম্বর ৩০ ফাওবা চৎনগদবা কাঙলোনশিং ফোঙখিবগা লোয়ননা পেত্রোল পম্প পূম্নমক থোঙ হাংলগনি।

ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মীয়ামগী অৱাবা খরমখৈ কোকহন্নবগী পান্দমদা অথিংবা খরা কোমথোক্লে।

অনলোককী থৌরাং লৌখৎতুনা অথিংবা কোমথোক্কদবশিংদি হোম দেলিভরিদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংহনবা; শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোত্থোক পুথোকপা অমসুং য়োনবা; লৈকায়-লৈকায়দা হাংবা দুকানশিং অয়ুক পুং ৭তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী হাংহনবা; নোংমাইজিং নুমিৎ নত্তবশিংদা থঙ্গাল কৈথেল, ধর্ম্মসলা, পাওনা কৈথেল অমসুং মসজিদ রোদকী হোলসেল দুকানশিং অয়ুক পুং ৭তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা থোঙ হাংহনবা; হার্দৱেয়র, কন্সত্রক্সন মেটরিএল, ইলেক্ত্রিকেল আইটেম অমদি সিমেন্টনচিংবা পোৎ চৈ য়োনবা পাওনা কৈথেল, থঙ্গাল কৈথেল অমসুং নাগামপালগী দুকানশিং; ইন্টর ষ্টেট বোর্দর লান্না মাও, জেসামি অমদি জিরিবাম ফাওরগা পোৎ চৈ পুবা গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা; হায়ৱে পরিংদা লৈবা ধাবা অমদি ত্রক রেপ্যর তৌনবগী দুকানশিং; ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা লেন্দ-বোর্দর ত্রেদ ত্রিটিজনা অয়াবা পীরবা পোৎ চৈশিং পুশিল্লকপা; হোস্পিটাল, নর্সিং হোম, ক্লিনিক অমদি দিস্পেন্সনরিশিং; জন ঔসাধি কেন্দ্র অমসুং মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট য়োনবা দুকানশিং য়াওনা ফার্মাসি, কেমিষ্ট অমদি হীদাক লাংথক য়োনবা দুকানশিং; মেদিকেল লেবোরেটরি অমসুং কলেক্সন সেন্টরশিং; ভেটরিনরি হোস্পিটাল, দিস্পেন্সনরি, ক্লিনিক অমদি মরী লৈনবা পেথোলোজিকেল লেবোরেটরিশিং; হোম দেলিভরিগী খূৎথাংদা এল পি জি ফংহনবা; পোষ্ট ওফিস য়াওনা পোষ্টেল সর্ভিস, টেলিকম্যুনিকেসন অমদি ইন্টরনেট সর্ভিস;

...মখা লামায় ৩ কলম ২

মীয়াম্না মীহুৎ ওইনা থাগৎলক্লিবসি রিজাইন তৌনবা নত্তে : ইবোবী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : মীয়াম্না তোঙান-তোঙানবা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংগী মীহুৎ ওইনা থাগৎলক্লিবসি রিজাইন তৌননবা অমদি মশাগী কান্নবা লৌনবা নত্তে হায়না সী এল পিগী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি কোংগ্রেস পার্টিদা নৌনা য়াওরকখ্রবা অরুন ইন্টরপ্রাইজেজগী থাংজম অরুনকুমার তরাম্না ওকপগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিগী ওইবা ফজখ্রবা আইদিওলোজি লৈজে। অসিগুম্লবা পার্টি অসিবু থাদোক্লম্লগা চৎলিবা কয়া অসি মশাগী ওইজবা থিবগীনি। মীয়াম্না চহী ৫গী মীহুৎ ওইনা থাগৎলক্লবা মীওই খরনা পার্টি থাদোক্তুনা চৎপগা লোয়ননা রিজাইন তৌরিবা অসি করিগীনো হায়বা মীয়াম্না খঙলবা ঙাক্তনি। দিমোক্রেসিবু ফাগী তাহনবা অমদি মশা-মশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা থবক তৌরিবশিং মীয়াম্না পারা তম্বীবগী মতম য়ৌরে। চহী ৫গী ওইনা মীয়ামগী থৌগল তৌরুরো হায়না থাগৎলক্লিবা অসি মীহুৎ খরনা মশা-মশাগী য়েংলগা ফাগী তাহল্লে। মশাগী খুদোংচাবা য়েংলগা চোংথোক-চোংশিন তৌরিবশিং অসি মতাং মতম চানা মীয়াম্না পারা শোয়দনা তম্বীরক্কনি।

কোংগ্রেস পার্টি অসি অশোনবনি হায়না

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

HL Poll

Q: Manipurgi apunba Covid-19gi case masing thibada yaodaba positive oiraba atei meeoi kayasu leiramgani haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Containment zone nataba atei maphamsingdagi lockdown louthokkhibasi leingakki achumba khongthangni haina loubra?

Yes 50% No 50%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২.৩৬ °C

খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.৪৭ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৩ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৫৫

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৩৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- সার শেঙ্গা থুমজা তৌবা থবক লৌথোক্লকনি হায়না পাউচেদা য়াওরে।

- ꯁꯥꯔ ꯁꯦꯡꯒꯥ ꯊꯨꯝꯖꯥ ꯇꯧꯕꯥ ꯊꯕꯛ ꯂꯧꯊꯣꯛꯂꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯄꯥꯎꯆꯦꯗꯥ ꯌꯥꯎꯔꯦ꯫



- লৌথোকপা নত্তে, চহী কুল্ল হেল্লগা থবক পোত্থাহনবনি।

- ꯂꯧꯊꯣꯛꯄꯥ ꯅꯠꯇꯦ, ꯆꯍꯤ ꯀꯨꯜꯂ ꯍꯦꯜꯂꯒꯥ ꯊꯕꯛ ꯄꯣꯠꯊꯥꯍꯅꯕꯅꯤ꯫

চাদা ৬৯.২৫ ওইরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলকপা মীশিং ৪,৩৩০ য়ৌরকপগা লোয়ননা ফগৎলকপগী চাং চাদা ৬৯.২৫ ওইরে হায়না কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ তাবদা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ১৪০ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপূনবা কেস মশীং ৬২৫২ য়ৌরে। নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিংগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১০৩ অমসুং সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল ৩৭ য়াওরি।

জেনরেল

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

চীফ সেক্রেটরিনা থৌ পুগদবা দিপার্টমেন্টশিং হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে

ওফিসর ৩১গী ফমসু হোংদোকহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) টি ঐচ ভবানন্দ শর্ম্মনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা থৌ পুগদবা দিপার্টমেন্টশিং হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রে। আই এ এস, এম সী এস অমসুং এম এস এস ওফিসর ৩১গী ফমসু হোংদোকহনখ্রে।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা আই টি, ফাইনান্স, হোম, দি পি, এ আরগী থৌ পুরম্বদা নত্তনা চীফ ভিজিলেন্স কম্মিস্নার অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী ও এস দি ওইনা থৌ পুরম্বা অদু হৌজিক্তি দি পি, হোম, ফাইনান্স, আই টি, পি ঐচ ঈ দি অমসুং চীফ ভিজিলেন্স কম্মিস্নার ওইনা নৌনা থৌ পুরগনি।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না আই এ এস ওফিসরশিংগী মরক্তা ফিশরিজ, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্টকী এদিসনল চীফ সেক্রেটরি অমসুং মণিপুর ভবন দিল্লিগী ও এস দি ওইরম্বা এম ঐচ খাননা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট, ফিশরিজ, রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, এ আরগী এদিসনল চীফ সেক্রেটরি, ষ্টেট একাদেমী ওফ ট্রেনিংগী দিরেক্টর জেনরেল

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

নোংমগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মমল ৱাংনা য়োন্নরকপগী মতাংদা মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লরক্লি

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মীয়াম্না খম থেংনা ৱানরিঙৈ চৈরক অসিদা নোংমগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল ৱাংনা য়োনবা য়ারোই হায়না লৈঙাক্কী ওর্দর থোকখ্রবসু মপুং ফানা ইপ্লিমেন্ট তৌবিদবনা ঙসিসু অদুমক পোৎচৈগী মমল ৱাংনা য়োন্নরকপদগী লৈবাক মীয়াম্না পেন্দবগী ৱাকৎ কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

হৌজিক ইম্ফাল মনুং অমদি ইম্ফালদগী খরা লাপথোকখিবা মফমশিংদা নোংমগী তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী

মমল তাঙলবসু তাঙনা অদুমক ফংলি। অদুবু ইম্ফালদগী কা হেন্না লাপথোকখ্রবা মফমশিংদদি পোৎচৈগী মমল কা হেন্না ৱাংলে। পাউচে অসিনা ইম্ফাল মনুং অমদি ইম্ফালদগী খরা লাপথোকপা মফমশিংদা ফংলিবা পোৎলম খরগী মমল থিগৎলুবদা হান্না অচাথাও লিটর অমদা লুপা ১০০ পীরম্বা অদু লুপা ১১০, হৱাই কাংতক কেজিদা লুপা ৬০ পীরম্বা অদু লুপা ৮০, হৱাই মুসোরি কেজিদা লুপা ৭০ পীরম্বা অদু লুপা ১০০, চিনি কেজিদা লুপা ৫০ পীরম্বা অদু লুপা ৬০, য়েরুম প্লেটতা লুপা ১৭০ পীরম্বা অদু লুপা ১৯০, ময়াই ওইরপ ফবা মীয়াম্না চানরিবা ঙারি পৱাদা লুপা ১০০ পীরম্বা অদু লুপা ১৫০, চনম কেজিদা লুপা ১২০ পীরম্বা অদু লুপা ১৪০ অমদি অয়ূক্কী মতমদা চাগা চানরিবা বিস্কিট লুপা ৫দা ফংবা অদুনা লুপা ১০ অমদি লুপা ১০গীনা লুপা ১৫দা ফাওবা য়োন্নরি। তঙাইফদনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং দুকান

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবা কেশ্বরজিৎনা য়েরূম কোন্নবা মেছিন শাদুনা পুথোক্লি

গ্যানন্দ নাওরেম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ৩১ (ঐচএনএস) : স্পাইনেল কোর্দ শোকপদগী হকচাংগী ফীভম চাদা ৯০ শোক্লবা, ফমুং অমদি হুইল চ্যেরদগী হেন্দোক্তবা মোইরাংথেম কেশ্বরজিৎ (৪১) না য়েরূম, ঙানু মরূম, উচেক মরূমনচিংবা কোন্নবা উনা মেছিন শাদুনা মীয়ামদা ফংহনবা হৌখ্রে।

কেশ্বরজিৎ ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা ককচীং ফৌসুপাৎ লৈকায়, য়াম্বেম ফর্নিচর হাওস পরেংদা লৈবা মোইরাংথেম মোমোন অমদি মোইরাংথেম ওংবী মনিহলগী মচানুপা অহল ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। মহাক্কী মচননুপী অমগা মনাওনুপা অমগা লৈ।

কেশ্বরজিৎ য়ুম পান্দুনা ক্লাস আইট তল্লিবী মচানুপী অমা লৈরে। মহাক্কী লোয়নবীগী মমিংনা রাশিরৈ কৌই। পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবা অমদা মোইরাংথেম কেশ্বরজিৎনা ঙসি ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা পাউদম্লদুনা হায়, মহাক্কী হকচাংগী ফীভম অসি মীমান্নদবা ওইনা পোল্লকখিবা নত্তে, কুমজা ১৯৯৫গী দিসেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা য়াম্না শাথীনা শোকখিবদগীনি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা থবাক্তগী কোক ফাওবখক নত্তনা থবাক্কী মখা থংবা শরুকশিং লেংবা-ওৎপা য়াদবা, শোকপদা খঙদবা অসিনচিংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লদুনা লাক্লি। খোঙ হামনীংবা, মপান অদুম থোক্লিংবগী ৱাখল অমত্তা পোকখিদ্রে। খঙহৌদনা খোঙ অদুম হামথখিবা, মপান অদুম থোকচখিবা, খাঙবা নৎত্রগা খাম্বা করিসু ঙমহৌদবনা ইমুংগী মী অমনা অদুম শেন্নদুনা লৈবা মথৌ তাদুনা লাকখি। হক্কী ঈশিং লৌথোকপা য়ানবা কেথটর হাপ্পুনা হক্কী ঈশিং লৌথোকপা অমসুং খোঙ হাম্নবগী গুলি চাদুনা নুমিৎ নীনি-নীনিগী মনুংদা নোংম-নোংমগী খোঙ হামদুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি।

মহাক্লা ঙসি ফাওবদা হিংনবগী লম্বীদা উপু-কাংথোল, থোঙ অমদি টেবলনচিংবগী মমায়দা লৈতেংগীদমক লৈরোংনচিংবা হকপা অমদি লেদরনা নুপীগী খোঙউপ (লেদিজ শু) শাবগী থবকসু তৌদুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

@1.80% অপীকপা শেন্দোইদা @1.80%

সনা Bandhop লৌজরি

ঙসি মালেমগী ওইনা Covid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানরবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।

সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।

শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খক্তনি।

করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপীরগা, ঐখোয়গী অপিকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।

For details, Please contact
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
7085917479

@1.80% Only.

HL-B/6330/26th aug to 25th sept

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫